# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 24-09-2026)**

**কেবিনেট(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কৈরাওদা লৈবা ষ্টেট টি.বি. হোস্পিতালদা ফমুং ৭০ লৈবা মনিপুর ষ্টেট দাইলাইষ্টিস সেন্টর অমা হাংদোকপদা মন্ত্রি-মন্দলগী মীফমনা অয়াবা পীখ্রে।

ৱাফম অসি রাজ্য সরকারগী মচিন চৎপা মীশক-এম.এল.এ. ডাঃ সাপম রঞ্জননা ইম্ফালদা লৈবা সেক্রেটরিয়েটকী কনফরেন্স হোলদা ঙরাং পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা ফোংদোকখিবনি। এম.এল.এনা হায়-হায়রিবা দাইলাইষ্টিস সেন্টর অসি জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) হোস্পিতালগী মীৎয়েং মখাদা মথৌ পাঙথোক্কনি অমসুং সেন্টর অসিনা চাং নাইনা দাইলাইষ্টিস মথৌ তাবা অনাবশিংদা মতিক চাবা সার্ভিসশিং ফংহনগনি। মসিনা অনাবশিংদা দাইলাইষ্টিসকীদমক মতম শাংনা ঙায়বগী অৱাবা অদু খরমখৈদি কোকহনবা ঙম্লগনি।

শ্রী সাপম রঞ্জননা হায়-সেন্টর অসি প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা য়োজনা (পি.এম.জে.এ.ৱাই) গী মখাদা মথৌ তৌবগা লোয়ননা চীফ মিনিস্তরগী হকশেলগী তেংবাং (সি.এম.ঐচ.টি) কার্ড পায়বা বিনিফিসরিশিংগী ওইনা লেমা দাইলাইষ্টিস তৌবগী খুদোংচাবা পীগনি। খোঙথাং অসি রাজ্য অসিদা দাইলাইষ্টিসকী মথৌ তাবা অনাবা মশিং হেনগৎলকপদগী পায়খৎলকপনি। হৌজিক সরকারগী হোস্পিতালশিংদা দাইলাইষ্টিসকী পীরিবা খুদোংচাবশিং অসিনা হৌজিক ওইরিবা অনাবা মশিং অসি মায়োকবদা অৱাবা ওইরি।

মখা তানা পাৱর ট্রান্সমিসন লাইনশিংনা শোকহল্লবা লমগী মপুশিংদা কেন্দ্র সরকারগী রাইট ওফ ৱে (আর.ও.ডব্লিয়ু) গী নিয়ম মতুং ইন্না কম্পেসেসন পীগনি হায়না মন্ত্রি-মন্দলগী মীফমনা ৱারেপ লৌখ্রে হায়না এম.এল.এ. সাপম রঞ্জননা ফোংদোকখি। মহাকা হায়-এক্সটরনেল্লি এদেদ প্রোজেক্ট অমসুং

দিপোজিৎকী থবকশিং, ৱার্ল্ড বেঙ্ক অমসুং এসিয়ান দিবলপমেন্ট বেঙ্ককী শেন্থং মখাদা পায়খৎপা প্রোজেক্টশিং, রেলৱেগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংনা শোকহল্লবা লমগী মপুশিংগী ওইনা টৱার বেসশিংনা শোকহল্লবা লমগী শরুক্কী চাদা ২০০ গী কম্পেনসেসন পীগনি অমসুং ত্রান্সমিসন কোরিদোরনা শোকহল্লবা মফমশিংগী ওইনা লমগী ভেল্যুগী চাদা ৩০ গী কম্পেনসেসন পীগনি।

রাজ্য সরকারগী শেন্থং মখাদা পায়খৎপা প্রোজেক্টশিংগী মতাংদা পল্লদুনা মহাকা হায়-টৱার বেসনা শোকহল্লবা লমগী মপুশিংদা লমগী ভেল্যুগী চাদা ১০০ গী চাংদা কম্পেনসেসন পীগনি অদুগা ত্রান্সমিসন কোরিদোরনা শোকহল্লবশিংগী ওইনা লমগী ভেল্যুগী চাদা ৩০ গী কেম্পেনসেসন পীগনি।

**টুরিজম(এল)ঃ** ইনর্ফোমেসন টেকোলোজিগী দিরেক্তর-জি. রোবার্ট শর্ম্মনা হায়রি-হেখাথোননা এ.আইগী ফম্বাক অমা পীবগা লোয়ননা রাজ্য অসিগী টুরিজম সেক্তরদা অনৌবা মায়ওন অমা পুরকবগী ৱাখল্লোন কয়া পুথোকবা খুদোংচাবা পীরি।

ৱাফম অসি ঙরাং রাজ্য সরকারগী ইনর্ফোমেসন টেকোলোজি অমসুং টুরিজম বিভাগ অনিনা পুন্না শিন্দুনা ইম্ফালগী মন্ত্রি পুখ্রিদা পাঙথোকখিবা দা ভেলিদেকটোরি সেসন ওফ রি-ইমাজনিং মনিপুরঃ হেখাথোন-২০২৬ তা দাইরেক্তর-রোবার্ট শর্ম্মনা ফোংদোকখিবনি।

মহাকা হায়-থৌরম অসি দিজিটেল এজেন্দা এন্দ এ.আই. টু রি-দিজাইন্দ টুরিজম হায়বা হীরমদা য়ুম্ফম ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড টুরিজম ডেগা মরী লৈননা পাঙথোকপনি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদৌরিবা তোঙান তোঙানবা চাংদমবা কয়াদা পুন্না মীওই ১৫০ রোমনা টিম ৬১ থোকা খায়দোক্কুনা শরুক য়াগনি। মসিগী মনুংদা টিম তরুক অমদি অতোপ্পা রাজ্যশিংদগী ওন লাইনগী খুত্থাংদা শরুক য়াগনি।

**পুলিস(এল)ঃ** থৌবাল কম্মান্দো অমসুং ৩১ শুবা অসাম রাইফলসকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙরাং নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ফৌওইবী ভিলেজ মনাক্তা লৈবা হাউখোংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুদি-মেগজিনগা লোয়ননা এ.কে. ফিফতি সিক্স রাইফল অমা, লেথোদ গন অমা, পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অহুম, মেগজিনগা লোয়ননা নাইন এম.এম.পিষ্টোল অনি, পোইন্ট থ্রি টুগী মেগজিন অনি, হেন্দ গ্রেনেদ তরেৎ, লেথোদ সেল তরুক য়াওনা নোংমৈ মরু কয়ামরুম য়াওরি।

মখা তানা স্পিপসিএল কম্মান্দো য়ুনিটনা ফারবা মতুং সেকমাই পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নরকখিবা মীওই অমবু ৱাহং পাউহং চথবদা খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙমলে। মঙোন্দগী এ.কে. রাইফল অমা, ইনসাস রাইফল অনি, হেন্দ গ্রেনেদ অমা য়াওনা নোংমৈ মরু খরসু ফংবা ঙমখি।

**বঙ্গলাদেসঃ** বঙ্গলাদেসতা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা মিজলসনি চিংনবা লায়ওংদগী অঙাং ১১ শিখিবগা লোয়ননা চহি অসিগী মার্চ ১৫ দগী হৌজিক ফাওবদা মিজলসনা শিবা মীওই লিশিং ১,০৭৬ শুখ্রে।

দাইরেক্তোরেট জেনরেল ওফ হেলথ সাভির্সেসকী পাউ মতুং ইন্না হৌখিবা পুং ২৪ দা মিজলসনি চিংনবা অনৌবা কেস লিশিং ১,১৫৭ থেংনদুনা মার্চ ১৫ দগী হৌজিক ফাওবদা কেস লাখ অমা লিশিং ৮৩,৪৪৯ থেংনরে। পাউ অদুনা হায়-মার্চ ১৫ দগী হৌজিক ফাওবদা মিজলসনা নারে হায়বা মীওই লাখ অমা লিশিং ৬২,০৪৮ হোস্পিতালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। মসিগী মনুংদা মীওই লাখ অমা লিশিং ৫৫,৬১২ নাবা ফাদুনা হোস্পিতালদগী দিচার্জ তৌখি। চহি অসিগী মার্চ ১৫ দগী হৌজিক ফাওবদা মিজলসনি চিংনবা লায়নাদগী অঙাং ৯৭৫ শিখ্রে। অদুগা অঙাং ১০১ দি মিজলসনা লৈখিদ্রে।

**ইদি ঃ** এম.এস. তিরুপতি ইনফ্রা প্রোজেক্টস প্রাইবেট লিমিটেদকা মরী লৈনবা কেস অমগী মতাংদা ইনর্ফোসমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা দিল্লি, মোহালি, চান্দিগর, পন্সকুলা অমসুং লুধিয়ানাগী তোঙান তোঙানবা মফম ২৬ তা থিবা হুম্বগী থবক চখ্খ্রে।

থিবা হুম্বগী থবক অসি প্রিভেন্সন ওফ মণি লোন্দরিং এক্টকী মখাদা পায়খৎপনি। দাইরেক্তোরেটকী পাউনা হায়-এম.এস. তিরুপতি ইনফ্রা প্রোজেক্টস প্রাইবেট লিমিটেদ অসি প্রোজেক্ট অমগা মরী লৈননা পুন্না লুপা কোতি ২৯০ রোমগী শেঞ্জা থুমজাগী কেস অমদা চেন্নে।

**দিফেন্স ঃ** ঙাকশেল মন্ত্রালয়না সেটিলাইট স্মার্ট এন্টি ইয়ার ফিল্ড ৱিপন্স ১৬০ লৈনবা ভারত দাইনামিক্স লিমিটেদকা লুপা কোতি ৮১০ হেনবগী কন্ট্রেক্ট সাইন তৌনখ্রে।

হায়রিবা সেটিলাইট খুৎলায়শিং অসি ২০২৭-২৮ অমসুং ২০২৮-২৯ দা শিজিন্নবা পান্দম থমলি। মসিনা নোংথক্তগী লৈমাইদা কাপ্পা য়াবা অমসুং য়েক বগী ইয়ার ফিল্ডশিং অরাপ্পা রেঞ্জতগা মাঙ তাকহনবা ঙমগনি। লৈবাক অসিগী মচাক মথুম শিজিন্নদুনা দি.আর.দি.ওনা পুথোকপা সিষ্টেম অসিনা লৈবাক অসিগী ঙাকশেলগী লমদা মরোমদোম লেপচবা ঙমহন্নবা চাউনা মতেং পাংলগনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মীরাবাইনা এসিয়ান গেমসতা সিলভর মেদল লৌরকখিবা, ফমুং ৭০ লৈবা মনিপুর ষ্টেট দাইলাইষ্টিস সেন্টর হাংদোকবা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখিবা অমসুং চিংগী জিলাশিংদা মখা তানা তংদু লৈতাদবা ফিভম মায়োকবগী পাডশিংনা ঙসি

ফোংনরিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-লাসন সোংপিবুংদা লান্দারকপদা কুকি অমা শিরে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনা লৈবাক পাউচেদা-মনিপুরগী চিংগী লমশিংদা নাগা-কুকি ফুরুপ অনিগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলক্লি। দিষ্ট্রিক্ট অহুমদা নাগা-কুকিগী মরক্তা নোংমৈ কাপখ্রে, অমা লৈখিদ্রে, য়ুম ২০ হেন্না মৈ চাকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি-পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মিরাবাই চনুনা পুৰারী ওইরবা অহানবা এসিয়ান গেমস সিলভর মেদল লৌখ্রে হায়না পোকফম পাউ-চেদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি-সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিগা মরী লৈননা মিরাবাই চনুনা সিলভর মেদল ফংলকপদা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা থাগৎপা ফোংদোকখিবগী পাউ মনিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শকখঙদবশিংনা খুল অনিগী য়ুম মরিরোম মৈ থারম্লে, লাইনমেন অমা কাপ্তুনা হাৎলম্লে হায়না অনৌবা মায়ওন পাউচেদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

কৈরাওগী টি.বি. হোস্পিতাল অখন্নবা দাইলাইসিস সেন্টর ওন্থোকবা ষ্টেট কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখ্রে হায়না পোকফম পাউচেদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-বিক্সিত ভারত ওইহল্লকপদা চাওখৎপা মনিপুর ওইহনবা হায়বসি নহাশিংগী মখুৎতা লৈরে হায়বা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ম্যুজিয়মদা লৈরিবা সনা-লুপাশিং উৎতুনা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

পি.এম.জে.ভি.এমগী মতাংদা ভরতা মেদিয়া ৱার্কশোপ তমেংলোংদা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ গানফিয়ু মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কাংপোকপী জিলাগী মনুং চন্না লৈবা মকুই, চামরিয়ুপিয়ু, লংকা অমসুং থানম্বা খুলদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা এট্টেক চত্থরকখিবগা লোয়ননা ভিলেজ ওথোরিতিশিংনা জষ্টিস অমসুং সেক্যুরিতি দিমান্দ তৌরকখিবগী পাউ তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

এফ.সি. ফুলোনা সেনাপতি ফার্ষ্ট দিভিজন ফ্টবোল লিগকী চেম্পিয়ন ওইরে হায়না হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।